# মতম অমদা লৈবাক নিন্না ঈশৈ শল্লকস্বা শল্লাইরবা শৈশকপা মাইবম মাইমু

- নানি

মণিপুরী মতম ঈশৈনা ঠিএটরদা তুংদুনা লৈরম্বদগী, মশাগী ঈচেল খোংলম শেমগৎলক্তুনা মনিং তম্না চেস্থবা হৌরকপা মতমদা, ঈরৈ নাইনা, শাহুম কন্না মণিপুরী মতম ঈশৈবু লৈরক খুল্লক, অরাপ্পা অনকপা থিদনা মতম ঈশৈগী মহাও য়েল্লকখিবা শৈশকপশিংগী মনুংদা মাইবম মাইমুসু খুৎ থেকপা য়াবা মীশক অমনি। মহাক্কী মতম অমদা মীপুম খূদিংমক্কী চিন্দা মতম চুপ্পদা ঙংদুনা লৈখিবা ঈশৈশিং খরা লৈখি। ঈশৈশিং অদু ঙসিসু মীয়াম্না তগৎ তগৎ তেক্লা মীয়াম্না পাম্নরি। **“ঐগী নুংশি লম্বীদা, মাবু অমুক উররোই, মরক মরক মঙলানদা, লাকপা নত্তনা লাক্লরোই/ মমি মক্ত্রা মায়থোংনা, খোইরুম মোমোন নোক্তুনা, লক্লররি ঐহাকপু, অমম্বা ৱাখলগী মঙলানদা/ ইচিক হুনবা অহিংদা, থাবল ফবা উরগা, মানা ঐবু কৌবগুম, তারি ঐগী নাপাদা/ৱাখলনা” শৈরেংবা উলেন মৈতৈ।** ঈশৈ অসি য়াম্না নীংথিজনা ফাওখি। মসিগা ঈশৈ ময়েক ফজবা খনবদা খ্বাইদগী হৈ শিংবা মীশক অমনি হায়না মতমদুগী শৈশকপশিংনা হায়নখি। হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা অহৈবম শ্যামনা নোংমা ৱারী শানবদা মাইবম মাইমুবু শীংথাদুনা পল্লম্মী। মানা খনবা ঈশৈসে কৈনোমা হেক্তা তৌই। ঐগী ঈশৈ ময়েকফাও মা খলহনসিরা খঙদে, মানবু হেক খল্লবা, ঈশৈদো অদুম ফাওরদৌনি। ঈশৈ ময়েক খনবা হৈবগীনি মানা ফাওরিসে হায়না। তশেংনমকসু মাইবম মাইমুসি ঈশৈ ময়েক ফজ-ফজবা য়াম্না শক্কল্লি। ঈশৈ ময়েকসি মুন্না পারগা মাগী পক্লিংদা ফাওরকপা শুর অমা থি থিদুনা পাল্লি। ঈশৈগী মায়কৈদা হায়বদি হিন্দুষ্টানি সঙ্গীতকী মায়কৈদদি অদুক য়াম্না কা হেন্না ক্লাস ৱাংনা তম্লকখিবা মীশক অমদি ওইখিদে। অদুবু ঈশৈ শকপদা চঙখোনবা, কাচিন কোয়া য়ৌনা শকপা, অমদি শুর পানবদা হৈ শিংবা অসিমদি মাগী পীথোরকপা অমগুম্না হার্মোনিয়ম হেক পায়খিবদা ফজবা শুর হেক্তা থোরকখি।

অসুম্না মহাক্কী ঈশৈগী খোঙচৎ অসিদা হেন্না য়াঙখৎহনবা ঙমখিবা ঈশৈ কয়া অমা লেপ্তুনা অসুম অসুম ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালদা মনিন নাইনা লাম্হোরকখি। মদুগী মতুংদা, ১। “লৌনম্বীনি খঙনা খঙনা, থাজরুরে মাবু ঐনা, ৱাখল লমজিং কাংলুবা, বিদাইনা পন্থুংফম ওইরে/ হৌখিবা পুন্সি কয়াদা, শানখিবা নুংশি ৱারী, নুংওন ৱাহৈ কয়াবু, তৎতনা নীংশিংলি ঐনা/ ৱাখলগী পোইরৈ তামখরে, লাক্লরোই মতমদো অমুক, খাংহৌরে পুন্সি পিরাংলক্তা, নীংঙমদা মৈচাক্লা চাক্তুনা” শৈরেংবা- ২। “লোইবী চনুরা ওইবী নঙবু, কাওঙমদরেকো ঐগী থম্মোয়না/ লোইবী চীংগী উচান মরক্তা, খাংহৌরে মদোম থৱায়গী তাম্না, চীংনুংগী লাইজ ইরাওখোল মরক্তা, তিলহৌরে মাগী তাম্লবা খোঞ্জেল/ ওলাংথাগী শারবা নুংশাদা, চীংজাও খোনবা লাম্মেগী মৈশাদা, শাৎসি শাৎঙমদা কেনসি কেনঙমদা, করম্না খাংলি নুজাগী পুন্সি” শৈরেংবা- থাংজম কোরা, ৩। “থম্বীরে ঐবু ইদোম তরক্লা, কোরৌগী মঙালনা য়ৌঙমদ্রবা, য়োৎনা পাল্লোন খাজিল্লবা, ৱাং চাউরবা কৈশুমশঙদা/ নুংশি চেংলৌসু উদবা কুইরে, নুংওনবা মপাওসু তাজবা ফংদরে, লোইবী লান্না লাক্লেদো ঐদি, থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পোলাংসে/ ঙরাংগী ঐগী খোমলেন মঙলানদা, উরম্মী মাগী নুংওনবী শকফমদো, শকফম ওল্লবা ঐহাকপু য়েংদুনা, কপ্লম্মী মানা হিক্লা হিক্লা” শৈরেংবা- থাংজম কোরা, ৪। কুমজা কয়াগী মমাঙদগী, নুংশি নঙবু ঙাইজবা, পূক্লিংগী অপাম ৱাখলদি, নাপা চিক্লা তমজগে/ মীকুপ অমা উদবদা, জুগ কয়া হৌখ্রবোই, খঞ্জবা ঐগী ৱাখলনা, লাংওল কয়া ঙাইখোগে, নীংজবা ঐগী থম্মোয়না, লাংওন কয়া খাংখোগে/ বিধিগী নোংদম্না কনখিবনা, নুংশি নঙবু ফংঙমদনা, পুন্সি পন্দোম লোম্লবসু, লাংওল কয়া ঙাইখোগে” শৈরেংবা- উলেন মৈতৈ, ৫। অনৌবা চহীনা লাকপদা, কুমওন খূদিং লাপথোকখ্রবী, চান্নবী মাবু নীংশিংল্লক্কে/ অহিং কয়াগী থাবলদা, থেৎখিবা লৈরাং নঙগী নাপাদা, ফাওরি লৈনম ঐগী থম্মোয়দা/ নুংশি নুংশিনা কায়নখি, কায়নবা পামদনা লাপ্নখি, কায়না চীংগী মরুমদা- শৈরেংবা- নবকুমার অঙোম। মথক্তা পঞ্জরিবা খরা অসি শৈশকপা অসিগী



মীয়াম্না পাম্না তান্নখিবা ঈশৈ খরখক্লি। মসিদা নত্তবা মথেল কয়াগী ঈশৈসু লৈরি। মতম অমা ঈশৈগী শৈফম খূদিংদা শকখিবা- “দ্বাপুরগী কৃষ্ণ শারুরগে ঙসিদি”, নুংশিবনা হায়বনিনা ঐনা নঙবু নীংদনদি হৌজ হৌজ হায়খিদরা?”, “নঙদি লৈকোলগী মবেম্মনি” নচিংবা ঈশৈ কয়া অমসু লৈরি।

মাইবম মাইমু, ইম্ফাল পুখাও লম্বীদা লৈরিবা শঙ্খ্রে হায়রিবা মফম অদুদা পোকখি। তশেংবদি সোইবম লৈকায়দগীনি, শঙ্খ্রেদা অপোকপনা লৌতাংদুনা লৈবনি। শঙ্খ্রেদা ক্লাস ফাইব তম্বফাওবা মফমদুদা লৈখি। অদুগী মতুংদগীদি সোইবম লৈকায়দা লাক্তুনা লৈরকখি। হৌজিকসু শঙ্খ্রেদা লম ইংখোল অমদি মরী-মতা ইমুং-মনুংগুম্না য়াম্না লৈরি। পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা, ঈশৈগী লম অসিদা য়াম্না থৱায় য়াওরকখি। তশেংবদি ষন শেনবদা শরুক য়ারকখি। নট সঙ্কীর্ত্তনসিসু য়াম্না পামজবা অমা ওইরকখি। শঙ্খ্রেদা লৈরিঙৈ মতমদা কুমগী ওইনা লাকপা কুম্মোশিং মরু ওইনা কাংনচিংবা কয়াদা অহল-লমনশিংনা লমজিংদুনা নুপামচা পালা লিংদুনা ঈশৈ থৌরম পাঙথোক্লকপদা, ঈশৈ শল্লক্লে। হৌজিকসু মতমদুদা শকখিবা ঈশৈশিং চিংথদনা ফারি, মখা তানা ঈশৈ তম্লক্তুনা পালা ওইনা লেপ্পা য়াওনা শৈফম খরদা ঈশৈ শল্লকখি। অদুবু মমৈদদি নট সঙ্কীর্ত্তনগী শৈশক্তগী থৈদোরক্তুনা অধুনিক ঈশৈরোমদা খরা হেন্না পাম্না মায় ওনশিল্লকখি। মতমদুদা মমিং লৈনা ফাওনা ঈশৈ শকখিবা, লৈখিদ্রবা লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমার, নোংমাইথেম পহারী, অরিবম তোম্বীসনা শর্ম্মনচিংবা কয়াগী ঈশৈনা অকনবা ইনফ্ল্যুএন্স পীদুনা শৈশক অসি পাম্নবগী মরম ওইরি। হিন্দুষ্টানি সঙ্গীত হায়বসি কা হেন্না তমদ্রবসু শকপদি অদুম হৌরকখ্রে। অদুবু কোন্নথংদদি খরা তমখি। মশাগী ওইবা ঈশৈসি কুমজা ১৯৬৬-৬৭ অদুৱাইদগী হৌনা শুর পান্দুনা শকপা হৌরকখি। মদুগী মতুংদা ওল ইন্দিয়া রেদিওদা কুমজা ১৯৬৯দা এপ্রুভ তৌদুনা ঈশৈ শকপা হৌরকখি। ইহান হান্না রেদিওদা শকখিবা ঈশৈদগী হৌনা পোপ্যুলর ওইখি। ইহান হানবা রেদিওগী প্রোগ্রামদুদা অধুনিক ঈশৈ অহুম শকখি- “কুমজা কয়াগী মমাঙদগী, নুংশি নঙবু ঙাইজবা” “লৌনম্বীনি খঙনা খঙনা নুংশিরুরে মাবু ঐনা”, “লোইবী চনুরা ওইবী নঙবু, কাওঙমদরেকো ঐগী থম্মোয়না” হায়বা ঈশৈশিং অসিনি। ঈশৈ অহুমসিমক অঙকপা ফংনা ফাওখি। কুমজা ১৯৬৯দা হায়বদি ঙসিদগীনা চাউরাক্লা চহী ৫৩গী মমাঙদা ওল ইন্দিয়া রেদিওদা শকখিবা ঈশৈ অহুম অসি হৌজিকসু ইনৌতা নৌদুনা মীয়াম্না পাম্না তান্নরি। শৈশকপা অমনা ঈশৈ খরা শকপদা ফাওনরিবসি অমা অনীগুম্বনি। অদুবু মাইবম মাইমুদি ঈশৈ অহুম শকপদা অহুম্মক ফাওখি। ঈশৈ শকপা মশেলগী মরক্তা অমদি মীয়াম্না তোয়না হায়নবা ৱাসি মাইবম মাইমুসি ঈশৈ ময়েক খনবা য়াম্না হৈ। মানা খনবা ময়েকসি য়াম্না ফাওগল্লি হায়বা অসিনি। ঈশৈ শুর পানবগী মতাংদা ৱারী শানজরুবদা, অসুম্না তম্বীরকখি। ঈশৈ ময়েক অদু য়াম্না মুন্না পারবা মতুংদা ঈশৈদুগী ওইবা মশাগী শুর অমা মথন্তা থোকচরকখি। শুর অদু লৌশিন্দুনা পাল্লি। ঈশৈ অমা শুর পানবদা ইরাই লায়না থুনা পানবসু য়াওখি। অদুবু কুইনা শুর থোকউ য়াদদুনা, হন্না হন্না পানবা শুরসু য়াওখি। থৱায়না হেক পেন্দ্রিখৈ ঈশৈ শুরসি ঈশৈ অমদা মরি মঙারক পানবগসু য়াওখি হায়না তম্বীরকখি। হৌজিক্কী শৈশকপা হৌরক্লিবা খরদি, মশা মশানা শুর পানবগী থবক অসি কয়া তৌদে। কনাগুম্বনা পারগা তম্বীরগা শকপনা অয়াম্বনি। মশানা শুর শেমদুনা পানবসু লৈতবা নত্তে অদুবু নহা ওইবা হৌরক্লিবশিংদি মসি কয়া থোইনা তৌদে। ঈশৈগী কম্পোজর হায়বা অমনা ঈশৈ ওইনা শেল্লগা শুপ্নগী খোঞ্জেল পুথোক্তুনা শকপনি। অদুগা ঈশৈ অদু মহাক মশাগী ওইবনি। অদুনা ঈশৈ অমা শুর শেম্বা মতমদা কয়াগী মতিক ৱাবা, অমদি ৱাখল কয়া য়াম্না খনখিবা হায়বা অদুমদি হৌরক্লিবশিংনা থোইনা খঙনদ্রে।

মাইবম মাইমু শুর শেম্বা য়াম্না হৈবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখি। অতোপ অতোপ্পা মমিং লৈরবা শৈশকপা কয়ানা শল্লখিবা ঈশৈগী শুরসু মহাক্লা য়াম্না পানখি। মদু য়াম্না শাথি শাথিনা ফাওখিবা ঈশৈ য়াওখি। মহাক্তি শুর শেম্বদা পূক্লিং য়াম্না লৈতানা মতম চঙনা পাল্লি। মদু কনাগুম্বশিংদা অমুক হন্না তাহল্লবা মতুংদা ঈশৈ অদু মীয়ামদা লাম্হোরকই। ঙসিদি মাইবম মাইমু মশাগী চহী য়ামশিল্লকপা অমদি অহল ওইশিল্লকপনা মরম ওইদুনা শৈফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা ঈশৈ শকপদা খুদোংচাদ্রে। অদুবু কনাগুম্বশিংনা ঈশৈ অমা অনীদা শকপীদবা য়াদে হায়না হায়ররবদি হৌজিকসু চৎতুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরি। মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না তাইবং মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০। ০১। ২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
ৱাকচিংগী ২৮নি পানবা।

মেষ: শেন্দোং তানবা থবক্তা খুৎচাও থাবা অমদি ঙমলোইদবা থবক্তা হোয়া ফবা তৌগনু। থৌনা লৈবনা অঙম্বনা চানবিবা হেনবা, পল্লম্বা থবক পাঙবা, লন চঙবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

বৃষ: পুক্লিং ফাথনা লৈবা ফগদবা নুমিৎনি। লাই গুরুগী ৱা কাউদবা ফৈ অমদি য়াকা য়েংনা চৎপনা মায় পাক্কনি। ফিংলদি নুংশাথিবা নংবা য়াই, মীরক চঙদবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিথুন: ঙসিসু নীঙবা থুংগনি, ওইজবা থিবগী লমদা চাউনা মায় পাক্কনি, লৌশিং ফুদোক্লা পাঙবা থবক খুদিং চিংনদনা চঙশিনবা য়াগনি। মীয়ামগদি মরী ফরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

কর্কট: অনৌবা অশাগী মরুমদা পাঙবা থৌরমশিং শোয়দনা মায় পাক্কনি, হকচাং নুংঙাইরমদবা লৈরসু ফগৎকনি, মীচঙ হেনগৎকনি। লেঙদবা লনদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

সিংহ: ঙাঙবা-শকপা হৈগনি, নচা-ননাই চাওখৎনবা মচাক নরল থাদবা য়াগনি অমদি পল্লম্বা লন ফংবৈ নুংঙাইবা ঙসিসু লৈরি। অঙম -অথৌ অমদি মরুপ্পদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাঙতক্লগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

কন্যা: পুক্লিং ফাথনা মীৱা লৌদনা অমদি লাই নীঙজনা লৈবা ফগদবা নুমিৎনি। য়েৎনবা পামগনু, ফত্তবা খনগনু অমদি অচুম অরান খঙদোকপা ঙম্বা মীগী পাউতাক লৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- কখোকপা তম্মু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

তুলা: মায় পাকচবা, ৱাখল লৈবা অমদি মীরক চঙলগনা হেন্না নুংঙাইজবা নুমিৎনি। অরাপ্পা মীগা লোয়নবা কান্নবা ফংলোই অমদি অনম তান্না থৌ পাঙবা ফরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: নীঙহন্নগনু, মী ঙাইগনু অমদি মীকোক থোংবা য়াবা তঞ্জা লাকই-মাঙহনগনু। অদুবু অঙম্বনা নরল মাঙহনবা য়াবা অমদি খৎন-চৈনবদি মাঙজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মহৌশাগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

ধনু: হরাওবা নুংঙাইজবা, অনৌবা থৌরমদা মায় পাকপা লৈ। করিসু নত্তবদা য়েৎনবা অমদি অখঙ-অহৈ শাবনা নচাক নরল মাঙহঞ্জবা য়াবদি লৈ-খাঙবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মকর: মীরক চঙলসু নুংঙাইফম খঙলোই, মীতোপ্পা নচাক নরলদা য়েংথি-পঙগনু, চীন য়াংগনু-নক্লবনা খুদোংচাবা লৌখিনি। হৈশিংবা অমদি লান্দবনা নরলদি চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অফবা খল্লু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কুম্ভ: নীঙবা থুংগনি, নরল চাওখৎকনি অমদি মীয়াম্না তেংবাংবীবা নুমিৎনি। অনম তানবা, পাইরক্কী লৌশিং শোনবা অমদি নাইতোম ৱারেপ লৌবা মাঙবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

মিন: মিপাইবা কোকচদুনা থবক পাঙবৈ নুংঙাইবা লৈ। অফবা থবক্তা শেল থাদবা য়াগনি অমদি ৱানোম থৌনোম মায় পাক্কনি, মীংচৎসু শোয়দনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-নীঙবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ‘ঈগী অৱাৎপা লৈতনবা ব্লদ দোনেসনগী চাং হেনগৎহনসি’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিদা মথৌ তারকপা ঈগী অৱাৎপা কয়া লৈরিবসি মেনখৎপা ঙম্নবা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন তৌবগী চাং হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। ষ্টেট অসিগী ওইনা মথৌ তাবা ঈগী চাং চাদা শুপ্নগী ৩০ খক্তমক ফংবা ঙল্লি। চাদা ৭০দি ঙসিসু মেনখৎপা ঙমদনা লৈরি। মরম অদুনা অফবা ঈ মথৌ তাবা মীওইশিংদা পীবা ঙম্নবা ভলন্টরি ওইনা ঈ কৎপগী মশীং হেনগৎহনবা মথৌ তারি হায়না ষ্টেট ব্লদ কাউন্সিল মণিপুরগী দিরেক্টর ডা. এস ইবুংঙোচৌবনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি আর দি ৱিং লম্ফেলপাৎতা লৈবা মেক্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ৱর্কশোপ ওন ভলন্টরি ব্লদ দোনেসনগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ঙসি মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা লায়নানা নারবা অমদি তোঙান-তোঙানবা অনা-লায়েংগী পথাপতা ঈগী তঙাইফদবা মায়োক্লরি। কোভিদ-১৯গী মমাংদদি ঈ কৎপগী চাং অদুম্মক নোর্মেল ওইনা লৈরমখি। অদুবু কোভিদ পেন্দমিক মতুংদদি ঈ কৎপগী চাং ৱাৎলকপনা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরক্লে। মীওই অমনা ঈ কৎপনা মীওই ৪গী পুন্সি কনবা ঙম্মী হায়বসি খঙবীগদবনি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ব্লদ বেঙ্ক মঙা হায়বদি রিমস, জেনিমস, শীজ, চুড়াচান্দপুর অমদি থৌবালদা লৈরিবা ব্লদ বেঙ্কশিংদা ভলন্টরি ওইনা মীয়াম্না ঈ কৎপীয়ু। ঈ কৎপদা মীওইবগী হকচাংদা মাঙজবগী মহুৎতা হেন্নদুম কান্নবা কয়া ফংহল্লি হায়বসি সাইন্টিফিক ওইনা প্রুফ তৌরবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী নোংমগী ওইবা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসনগী ৱর্কশোপ অদুদা হেল্থ সর্ভিসেসকী এদিসনেল দিরেক্টর ডা. এম তোমচানা ব্লদ দোনর মোটিভেসন, জেনিমস ব্লদ বেঙ্ককী এম ও আই সী ডা. কে সুর্জিৎনা ফঙ্কসন ওফ ব্লদ বেঙ্ক অমদি রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগী হেদ প্রো. এ বরিন্দ্র শর্ম্মনা সেফ ব্লদ দোনেসনগী মতাংদা ৱর্কশোপ অদুদা য়াওরিবা মীওইশিংদা শুগায়না তাকপী-তম্বীখি। মদুগী মতুংদা ৱর্কশোপকী থৌরম অদুদা ইন্টরেক্টিভ সেসন অমসু পাঙথোক্তুনা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন তৌবগী কান্নবশিংগী মতাংদা অমদি মীয়াম্না ঈ কৎপদা চিংনবা অমদি খঙনিংবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱাহং-পাউখুম তৌদুনা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন তৌবদা মীওইবগী হকচাংদা মাঙজবা অমত্তা লৈতে। মদুগী মহুৎতা হেন্নদুম কান্নবা কয়া পী হায়বগী খূদম চাংদম কয়া পীদুনা খঙহনখি।

ভলন্টরি ব্লদ দোনেসনগী ৱর্কশোপ অসি মখা তানা নুমীৎ নীনি চুপ্পা মণিপুরদা লৈরিবা শল্লাইরবা এক্টরশিং অমদি মীয়ামগী থবক তৌরিবা মীওইশিংগা পূন্না ভলন্টরি ব্লদ দোনেসনগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীবগী থৌরম চত্থখিগনিসু হায়রি।

## প্রি পোল এল্লাইন্স শেম্বদা জে দি (এস) য়াওদে : কহ্নাই

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস):

জনতা দল (সেক্যুলর) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিট অসি রিজনেল পার্টি অমা নত্তে, ওল ইন্দিয়াগী পার্টি অমনি। হৌজিক-হৌজিকমকসু লেংদনা অদুম্মক ওল ইন্দিয়া পার্টি অমা ওইনা লৈরি। হৌজিক্কী ইন্দিয়া লৈবাক অসিদা ওইরিবা ফীভমশিং অসিদা জনতা দল (সেক্যুলর)না প্রি পোল এল্লাইন্স শেম্বদা হৌজিক-হৌজি কমক্কী ওইনদি জনতা দল (সেক্যুলর) য়াওবা লৈত্রি হায়না জনতা দল (সেক্যুলর) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট হাওবম কহ্নাইনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হৌখিবা মতম অমদা সেন্টরগী লৈঙাক্তা সী পি আই অমদি সী পি এমগা পূন্না চৎমিন্নরল্লবসু চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৭ অমদি মার্চ ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা ষ্টেট অসিগী ওইনা নৌনা হন্দক্তা কোঙ্গ্রেস-আইনা লুচিংলগা শেল্লিবা প্রি পোল এল্লাইন্স অসিদা জনতা দল (সেক্যুলর)গী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফম্না ঙসি ফাওবদা খন্নবা লৈত্রি।

মণিপুরগী প্রেস মীদিয়াশিংনা জনতা দল (সেক্যুলর)বু এল্লাইন্সকী মেম্বর ওইনা হাপ্পীরকপা অসি য়াম্ন মক লাইবক থীবনি। মরমদি সেন্ট্রলগী অয়াবা লৌরগা ষ্টেট য়ুনিটনা থবক ওইনা পাঙথোকপনি। মরম অদুনা হৌজিক ফাওবদা জনতা দল (সেক্যুলর)না প্রি পোল এল্লাইন্সকী মেম্বর ওইবদা য়াওদ্রি। অরোইবা ওইনা লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা, অনীংবা ৱাখল্লোনদা মপূং ওইনা খন্নরবা তুংদা ওল ইন্দিয়া জনতা দল (সেক্যুলর) পার্টি প্রসিদেন্টদা শুংশোয় শোয়দনা খঙহল্লক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।




Title : Flags
By : Achilles Konjengbam
Class : IV Roll : 44
School : Kid's Mold School Yairipok




Title : Scenery
By : Columbus
Class : V Sec : A
School : Hikalol Laisu Shang




Title : Dolphin
By : Dayarani
Class : V Sec: A Roll : 6
School : Maheilen Education Center



Title : Mask Girl
By : Konsam Lanchenbi
Class : VII Sec : B Roll : 59
School : Catholic School, Canchipur



Title : India and Myanmar flag
By : Koroungamba Akoijam
Class : II Roll No.: 16
School : Sacred Heart School Yairipok



Title : Village Scenery
By : M Nena Devi
Class : III Roll : 12
School : Bheirodhan Maxwell School



Title : A Mouse with butterfly
By : Mangalleima Mutum
Class : III Sec: B Roll : 39
School : Little Flower School, Imphal



Title : Spiderman
By : Pibathoi N
Class : IV Sec: B Roll No. 16
School : Maheilen

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।